# ইরৈপাকসিগীদমক ঙসি তঙাইফদবা

নীংঙাই চাওবা অঙাংদা ঙম্মোক (অচাপোৎ) হেন্না পীজৈ হায়বদুগী থৌওংলা? নৎত্রগা মীচঙ মীখায় নাইবা মপুক ফত্তবা মপাগী মতৌনা হেন্না লম হেনহল্লিবরা? মরম অনীসিগী মরক্তা অমা শোয়দনা ওইগনি - জো-কুকি-মিলিটেন্টশিংনা অসি য়ৌনা হায়না-তানা য়াদবা, লমহেনবা মীফত্তা ওইরক্লিবা। মে ৩দগী হৌরকখিবা ঈরাংসিগী 'টর্ন ওফ ইভেন্টস' (থোক্লক্লিবা থৌদোকশিং) নীংশিংলুবা নত্তবা, হৌখিবা চহী কুন্থ্রা-নিফু অসিদা থোক্তুনা লাকখিবা থৌদোকশিং, থৌদোকশিংদু ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট'না করম্না দিল তৌখিবা ... লমহেন তুহেনবা কুকিশিং ইন্দিয়ন ওথোরিটিনা করিগী করম' য়োকখিবা, হায়বনচিংবগী ৱারীদু হঙ্গৎনা নৈনরুদনা ঙসি থোক্লিবা মৈতৈ-কুকি কনফ্লিক্ট অসিগী ৱাখৈ ৱারোল পুরকপা ওইথোক্তবা অমনি। লমদমসিগী স্কোলর, ইন্টলেকচুএলশিং কৌদুনা ৱাথোকসি করম' লোইশিনসিগে খন্নমিন্নবদা হোম মিনিষ্টর অমিট'না হায়খি হায়... 'লমদমসিগী ইতিহাসতি মমূৎ তানা খঙলে ঐ - কুল্লচন্দ্র নিংথৌগী ৱারীদগী হৌরগা নৈনসিরা... মদু কান্নদবনি, থোক্লিবা প্রোব্লেম অসি লোইশিন্নবা পান্থে অমমম লেঙবীরক্লিবা এক্সপর্টশিংনা মিনিট অমা মখায়গী মনুংদা ফোঙদোকপীয়ু'...। 'ফোর্মেলিটি ওইনা কৌদ' য়াদবগী কৌবনি, নখোয়গী ৱা অমত্তসু লৌরোই, লৌগদবা ঐগী ফিরেপতি হান্না লৌরগা লাক্লবনি' হায়বদু ওন্ন-তৈনবা ৱাহৈনা হায়বনি। মদুগী মতুং কোরৌ নুমিৎ নীনিদুদা মহাক্না তৌরম্বা থবক, ঙাঙলম্বা ৱাঙাঙ নীংশিংবীয়ু। ৱাখলনা লাম্বা ৱাদনি - কনাগী মীচঙ লেপ্পনো? লান খাম্বা লাকপা নত্তে, লান অসি লেপখিরোই - মীয়াম্না ঙাঙনখিবদু, চুম্লেদনা ঙসিদি। লান নৎত্রগা খৎনবা খাম্বা হায়বসি এটেক তৌরিবা নাকপাক্তুবু, এটেক তৌবা হান্না লেপহনগদবনি। পূম্নমক্না খঙই - হন্দক্কী লান অসিদি অফবা মখলগী খূৎলায় পায়বা কুকিশিংনা খূৎলায় পায়দবা মৈতৈ খুলগী খুঞ্জাশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা, য়ূম মৈ থাদোক্তুনা হান্না হৌবনি। কোন্না, তপ্না খুঞ্জাশিংনা লাইসেন্স গন পায়দুনা মশা ঙাকথোকচনবা হন্দুনা নোংমৈ কাপ্লকপদগী অথাপ অথাপ্পা মফমশিংদগী লান পাংবা লাক্লবদগী ঙসিগী লানফম অসি ওইরকখিবনি। মালেম শিন্না খঙনরে 'ইন্দিয়ন আর্মিনফাও পায়দ্রিবা নোংমৈ, সোফিষ্টিকেটেদ ৱিপন - কুকি মিলিটেন্টশিংনা পায়'। সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) তৌনদুনা লৈরিবা, মখোয়না 'করি খূৎলায় পায়রম্বা, নোংমৈ কয়া পায়রিবা' অকূপ্পা ইনফোর্মেসন পূম্নমক লৈরিবা ইন্দিয়ন আর্মিসু করিগীদি খঙদনি? অদুগুম্বা কুকি খূৎলায় পায়বা কাঙবুগা, চমজরবা খুঞ্জাশিংগা নোংমৈ কাপ্পবা-কনানা লাকচবা হৌনবগে? মীশি মীনা থোকপগী চাং করম্বনা হেনবা হৌনবগে? ৱাহংসি ঐনা হংবা নত্তে। য়ুট্যুব চেন্নেলদা থাগৎলকপা, মশীং য়াম্লবা ন্যুজ রিপোর্টরশিংগী রিপোর্ট তারুবা অমদি ফ্রী লান্স জর্নেলিষ্টশিংনা থাগৎলকপা ভিদিও ইমেজ খরদা থেংনরকখিবা রিপোর্টনি। অদুবু, হোম মিনিষ্টর অমিট'নদি মণিপুরগী ইন্টেলেকচ্যুঅলশিংদা শকফম হনজিল্লগা হায়রম্মী হায় ... 'ঈরাংসিদা শিরিবসি চামদা তরা মৈতৈনি, মরিফুতরানা কুকিনি'...। মহাক্না হায়নীংলিবা/উৎনীংলিবা ইঙ্গিৎ, অতৈ নত্তে ... 'নখোয় মৈতৈ মেজোরিটিনা মাইনোরিটি কুকিবু ওৎপী নৈবীবনি'... হায়বসিনি। 'সু' সাইন তৌনরিবা পার্টি অমগী লুচিংপুরেন'না, মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগী অসুক য়াম্বা খূৎশু খূৎলায়, নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরূ কদায়দগী লৌরুবনো? কদায়দগী শেনফমনো? কনানা ফাইনান্স তৌবনো? ইন্টরনেসনল দ্রগ লোর্দশিংগী অশাংবা খূৎ য়ৌরকপনি। মখোয়গী আর্মদ ৱিং (নার্কো-টেররিষ্ট) শেমগৎলকপনি। খূৎলায় পায়বা, দ্রগ লল্লোন'মীশিংগী খূৎপুদুদা 'সু' - খূৎয়েক পীনদুনা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পরিবা কুকি মিলিটেন্ট য়াওরম্বগী ৱানি। ঐখোয়মক্না খঙলবা ৱা'সি লৈঙাক' লুচিংবশিং করিগীদি খঙলম্লোই।

ফরে। খঙনরবা ৱাফমসি পুথোক্তুনা অমুক নৈনরগুমসি। খাঙতপ্তা হাইজিল্লকখিবা 'চিন-কুকি' (খরা লৈরগদি জো হায়না খঙনখ্রগদবা) কাঙলূপ অদু নত্তবা, 'মণিপুর' কৌবা লমদমসিদা চহী চাম্মা-চনী লৈরক্লবশিংগী চাদা-নাউদা, মখোয়গী লূ-তোং-থৱায়-হকচাংদু শাগৎলকপদা লমদমসিগী ঈশিং-নুংশিৎ, লৈবাক-লৈহাওদগী থোক্লকপা চিঞ্জাক-মচল কয়া য়াওখ্রবা, মশানা কুকি হায়বা ফুরুতুগী মীওই অমনি চাউথোকচবা পোকচরবসু 'মণিপুর ইমাগী মপারী-মমোম'নি খঞ্জবা ঙমদ্রবা মখোয়শিং অদুগী মরমদনি ৱারেং অসি পাবীরিবা ময়ামদা, থম্মোয় ইহুল মচা অমখক তমজনীংলুবা।

ঐখোয় খঙই - ঙসিগী কোরৌসিদা মণিপুরদা হিংমিন্নরিবা ঐখোয় অয়াম্বা লমদমসিদা পোকপনি। মণিপুরনা ইন্দিয়া'দা তিনদ্রিঙৈ, নীংতম্বা লৈবাক ওইরিঙৈদা পোকখিবা (চহী ৭৫ শুরবা) মী মশীংদি খূৎ থেক্তুনা পাববু য়ারনি। ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট ওথোরিটি'না মণিপুর'বু তাথী'-মীৎয়েংনা য়েংবী, থৌওইবীদে হায়বই ৱাখলদা লমদমসিগী নহারোলশিংনা কাঙলূপ-কাঙলূপ শেমদুনা 'ঐখোয় নীংতমজরগে' হায়দুনা লালহৌ অমা হৌরকই। লালহৌদুনা মরম ওইদুনা লমদমসিগী য়েলহৌমী অমসুং ম্যেন-স্ত্রীম-ইন্দিয়নশিংগী মরক্তা থাজনদবগী লৈই অমা চিংলকখি। মরৈবাক নীংবা, মরৈবাক্কী নীংতম্বা পুন্সি অমগীদমক লাম্থেংনবদা চোকথরবা কাঙলূপ খরসু থোক্লকখি- ইরন্নাইগী নীংতম্বা পুন্সি অমা লেন্নবা হোৎনবদু থাদোক্লগা ইন্দিয়ন অমা ওইনা হিংলগা অপেনবা থিরগে। ১৯৯৭তগী ঙসি ফাও' ইন্দিয়ন মিলিটরি অমসুং আর্মি'গা নোংমৈ কাপ্নবা লেপ্নবগী য়ান-ৱারোল ইনদুনা শান্তিগী ৱারী শান্নরিবা 'নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দগী তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিং অমসুং কুকিশিংগী তোঙানবা লালহৌলূপশিং অওনবা পাম্বা পুন্সিরোলদুদা লাকখিবা অহোংবা পুন্সি শক্তমশিংদুগী ময়েক লারবা খুদমশিংনি। ইন্দিয়ন অমা ওইনা হিংবগী অপেনবা, চাওথোকচবা অদু পূক্নিংসিদা চপ চানা ফাওবদুমক লৈত্রবসু, শাংলবা পুন্সি তাঙ্কক অমা ইদিয়া কৌবা নেসনসিদা লেল্লক্লবনা - ঐহাক ইদিয়ন অমনি হায়বা ফিলিং অদুদি থম্মোয়সিদা ফাওরক্কনু য়াদে। নেসনল এন্থেম অমদি নেসনল সোং অনীসিগা থম্মোয়গা অচেৎপা মরী লৈনরকই। ইন্দিয়া কৌবা লৈবাকসিবু ইরৈবাকনি খন্দবা ঙম্লক্তে। অসিগুম্বা ফিলিংসিগা তায়ওন্নবদা মপা-মপু-মবুধৌ হাক্তক্তগী মণিপুর কৌবা লমদমসিদা লৈরক্লবা, মশামক্কী লু-তোং পূম্নমক লমদমসিগী লৈহাওদগী শেমগৎলকপা কুকিশিংনা, লমদমসিবু নুংশিবগী ইথিল মচেৎ অমত্তসু মথম্মোয়দা ফাওদ্রিবা, অসুক তৌবীমল খঙদবা মীওই ফুরুপতি, মালেমগী মফম অমত্তদা লৈরমগনি থাজদে। ... 'ইন্দিয়াবুদি নুংশি, ইদিয়ন অমা ওইনা লৈনীংবগী অপাম্বদি লৈ, মণিপুর কৌবা লমদমসিবুদি তূক্কচৈ... মণিপুরদগী তোখায়বা লমদম অমা শেম্বীয়ু'... ইন্দিয়ন রুল্লরশিংদা কুকিশিংনা তৌরিবা তাৎ, নমথাকসিদগী হেনবা, অতোপ্পা তাৎ অমা লৈররোই। 'সিবু হেনবা অঙকপা অমা থেংনরক্ত্রি ঐহাক্তি। সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন দিমান্দ তৌরম্লগা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমুক হায় ... ঐখোয়না পাম্বদি ইন্দিয়াদগী তোখায় তাবনি - হায়রকপদা করি অঙকপা লৈগদগে? ময়াই কাবা চিঞ্জাক চারগা, ওইরোইদবা মঙলান কয়া মঙদুনা মোন্দ্রং শান্নবদুগা করিদবু খেন্নবগে? অদুগুম্বা, ৱাখলগী পলেপফম লৈতবা, হৌরকফম জাৎ খঙদবা মী মরক, শা মরক, তমথীবা কাঙলূপ অমগনি লাম্থেংনরিবা ঐখোয়না। ৱাখল য়াওদবা থবক থৌরম পায়খৎলোইদবনি কৈদৌনুং। ওগষ্ট ১৩ ইরৈবাকসিগী অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ, লমদমসিগী ইমাশিংনা লমজিংলগা, মৈতৈ নোংশা মপারীশিংনা তুংইল্লগা ইম্ফালদগী চুড়াচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী তম্না মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎকনি থৌরাংলিবা... ঐদি খল্লি, থৌরাং অসি মতাং চাদে। মতাং মতম চারবা, লমদমসিগী থৌনা ফবা মপারী মমোম মশীং খঙদা চোংথোরক্কনি। ইমা লৈবাক মণিপুরনা ঙসি তঙাইফদ্রিবা 'ইরৈবাক্কীদমক শিজগে' হায়বদু নত্তবা 'ইরৈবাক্কীদমক হিংখিগে' হায়বা অথৌবা অথৌবী ময়ামদুনি। ●

-*ইন্দ্রকুমার*

# হৌজিক থোক্লিবা লানগী হৌরকফম

হুইবু দোলাই তোংহল্লগা করিনো উবদা চোংথবগুম্না কুকিশিংসু লাইরিক লাইশু তমদুনা অচৌবা ওফিসর ওইবা ময়াম য়াওজরসু আ! মপা মপু হাক্তক্তগী চৎনরকপা লীচৎতুদি ঙসিসু থাদোকপা ঙমদ্রি। তম্পাক্তা লৌউ-শিংউদুনা চান-থক্লবা মহৈ-মরোং থাবগী মহুত্তা চীংদা লৈরগা, তমদা অতোপ্পনা থাজরগা লোকপা মহৈ-মরোংশিংবু লোন্না লান্দারগা লাক-মুন্দুনা চাবগী হৈনবী ঙসিসু থাদোক্ত্রি। খুল্লক্তা লোন্না লান্দাদুনা য়ূম মৈ থাবা, চমজরবা খুঞ্জাশিংবু মীনুংশি লৈতনা হাৎলগা, লৈরম লৈরম্বা পোৎ চৈ হুদুনা পুবা হৌজিকসু তৌরি। কুকিদি চিন্থিবদা হালেংদবা অমসুং খদ্রক য়াম্না কনবা ফুরুপনি হায়বসি বৃটিশশিংনা ইদুনা থনম্মী। খোংজোম লানগী মতমদসু কুকিশিংবু য়ুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎনা মাও মায়কৈদা লান ঙাকপা চৎনবা শঙাকফমদা পুলহনখি। অদুবু তাৎ হৈবা কুকিশিং অদুনা চরা ৱাল্লুরগা লাক্কে হায়শিন্নরম্লগা চৎখিবদগী হল্লকখিদে। অসুম্না মণিপুর কন্নবা লান অদুদা মখোয় য়াওখিদে। ১২/০১/১৮৭২দসু তুয়াই তুরেলগী থোং মথক্তা হুইরিন থৎনদুনা, হুইয়াং খায়নদুনা অমসুং য়োৎ থেক্লদুনা (মতমদুগী মখোয়না খ্বাইদগী লুনা লৌবা ৱাশকপগী মওং অমা) মৈতৈ নিংথৌদা লাল্লে হায়জদুনা মতুং মনাও মৈতৈদা ফত্তবা তৌজররোই অমসুং খুল্লাকপা শিবদা লু য়ানবগী চৎনবীসু লেপচরগে হায়না খূৎয়েক পীখ্রগা খোংজোম লান হেক লোইখিবগা মৈতৈ নিংথৌ অমদি মৈতৈগী অঙম অথৌ অয়াম্বা ফাখ্রে খন্দুনা মখোয়দা শিন্নখিবা নোংমৈ পূম্নমক তূমিন্না লোৎশিন্দুনা থল্লগা কোন্না মদু শীজিন্নদুনা মীচমশিংদা ওনশিল্লকখিবা কুকিনি। হৌজিকসু ওইদবা কয়া ঙাঙদুনা শন্দোক্লি। চহী লিশীং কয়াগী মমাঙদগী মৈতৈগী অরুবা লাইফম ওইদুনা লাক্লবা থাংজিং অমসুং কৌব্রুনচিংববু মখোয়না ঙরাংতা খুন্দাশিল্লগা মখোয়গী লমনি হায়জিল্লকপা, থাংজিংবু থাংতিং হায়না মণিপুর গেজেটতা ওন্থোকখিবা, এরোপ্লেন টিকেটতা এয়রপোর্টকী লৈফম চঙাঙ্গৈবু লমকা ওন্থোকপা অঙকপা নত্তে। ঙরাং নহান ত্রেনদা চান-থক্লবা পোৎ চৈশিং হোঞ্জিল্লকখিবা অদুবু নোংমৈ অমসুং মরূ পুশিল্লকপনি হায়না ইন্দিজিনস ত্রাইবেল লিদরস ফোরম্না লান্না পাউথোকপসি ইকায় খঙদবতা নত্তনা মকোকসু য়াওদে তাকচবনি। খামেনলোক্তা মৈতৈ ২০০ হাৎখি, ৩০০ রোম্না শোকখি হায়না দ ৱায়রগী কারন থাপ্পরগা উনবা অমদা মখোয়গী লুচিংবা অমনা ফোঙদোকখিবা অদু মখোয়গী চিন্থিবা ঙম্বগী চাং অদু তাকপনি। খ্বাইদগী নোক্লিংবদি, ২০০৫দা সুদা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তাল্লোই য়ানখ্রগা তাল্লকপসিনি। য়ানখিবদু হন্দোক্লরসি হায়রক্লিসিনি। মমায়দি হায়ফেৎ থাবা জাৎনি। মৈনা মখোয়না থারগা মৈতৈনা থাবনি হায়জিনবা ঙম্বা কুকি ফুরুপনি।

হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা লানসিগী হৌরকফমসি পাউচেশিংদা নৎত্রগা টিভিদা চুম্না হায়রক্তবসি নুংনাংনীংঙাইনি। হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা লানসি মৈতৈনা এস টি ওইনবা তানবদগী থোকপনি হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন হায়রি। মরমদি মৈতৈদা এস টি পীরবদি লান থোক্কনি; পীরোই হায়বনি। মসিদি অরানবা ৱাখলনি। শোমদনা কুকিশিংনা মালেমদা লৈরিবা খৃষ্টিয়ান কম্যুনিতিবু মখোয়গী মীচংদা কোনশিন্নবা হোৎনবদগী য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টনা লানসি খৃষ্টিয়ান অমসুং হিন্দু অনীগী মরক্তা শোক্লবা ওইনা শন্দোকই। মসি য়াম্না লাইবক থীবনি। হৌজিকসু চর্চ ময়াম অমা কৈসু তৌদনা লৈরিবসিনা খুদম চাংদমনি। খরা অমনা লানসি কুকি অমসুং মৈতৈ অনীগী কাঙলূপকী লাননি হায়না লৌনৈ। মসি মচেত্তা চুম্মী। মরমদি লানসি কুকি অমসুং মৈতৈ অনীগী মরক্তা শোক্লবনি। অদুম ওইনমক লান অসিদি কাঙলূপকী লানদি নত্তে। মণিপুরদগী লম মচেৎ অমা ফক্লগা কুকিলেন্দ শেমগে হায়রিবা কুকিশিংগা, মণিপুর মচেৎ তাহনবা য়ারোই হায়বা মৈতৈগা অনীগী লাননি। লানসিদা অতৈ ফুরুপশিংনা নাকন্দা তোংশিনবা নৎত্রগা তোংশিন্দবা হায়বদুনা অমনি।

কুকিশিংনা কুকিলেন্দ শেম্নবগী মঙ মঙবসিদি ঙসিদগী চহী ৪০ রোমগী মমাঙদগী খঙলে হায়না মরুপ অমনা নোংমা তম্লম্মী। কুকিশিংগী মীফম অমদা উৎখিবা মেপ অমসুং ৱারী অমগী মতুংইন্না হায়রম্বনি। অদুবু মশাগীনি হায়বা লম লৈবাক লৈরমদবসি কুকিলেন্দগী খোঙচত্তা অচৌবা পল অমা ওইদুনা লাকখি। মরম অদুনা মখোয়গী লমনি হায়বা অমা লৈহনবা য়াম্না তঙাইফদবনা পান্থে অমা তৌদুনা লৈহন্নবা হোৎনবগী খুদম হায়ববু মখোয় লৈবাকসিগী য়েলহৌমীনি হায়বগী পুৱারী শেমজিনখ্রে, ইন্দিজিনস ত্রাইবেল লিদরস ফোরম (আই টি এল এফ) শেমখ্রে অমসুং মোরে, কাংপোকপী অমদি চুড়াচান্দপুর অসি মখোয় খক্তুং লৈবনি হায়বা য়ানবা মফমশিং অসিদগী মৈতৈ তান্থোকখিনবা মখল কয়াগী ধপ তৌবা অমদি ফূ চৈবা য়াওনা থবক কয়া তৌখ্রে। মান্নবা তনবদগী মীওই কয়াদি অতোপ্পা মফমদা ইঙ্খোল লৈনবা য়াওখ্রবনি। নোংমা নৎত্রগা নোংমদি মৈতৈশিংগী মথক্তা লান্দাদুনা মৈতৈশিংবু মণিপুরদগী তান্থোকখিনবা থৌরাংদি কুইরবনি। থৌরাং অসিগী মখাদা মখোয়না খূৎশু-খূৎলায় পায়বা লাম্নী শেমগৎলকই। লাম্নীশিংগী খরচ, খূৎশু-খূৎলায় লৈনবা অমসুং মখল কয়াগী খরচ ওইনবা মখোয়না মণিপুরগী চীংমাইশিংদা পোপী থাই। দ্রগ করবার তৌই। ইন্দিয়াদগী ঙমখৈ অঙাকমল লৌই। মসিদগী লাকপা শেলনা মখোয়গী অরানবা থৌওং কয়াবু অচুম্বা ওইনা মীদিয়াদা উহনবা ঙম্মী। কুকিগী এম এল এ মশীং হেঙ্গৎনবগীদমক মীশিং য়ামহন্নবা য়ূমলোন্নবা ম্যান্মারদগী কুকি মশীং থিবা ঙমদবমখৈ কৌশিল্লি। মণিপুরগী উমং ৱামংশিং কোকথোক্তুনা খুন্দাহল্লি। চে-চাং শেমজিন-শাজিন্দুনা মখোয়বু ইন্দিয়াগী মীওই ওন্থোক্তুনা ভোটর লিষ্টতা মমিং চনশিল্লি।

মখোয়গী অসিগুম্বা লাল্লোংসি লৈবাকসিনা খঙলক-উরকপদগী লৈঙাক্না মসি থিংনবা থবক কয়া পায়খৎপা হৌরকখি। অহানবা ওইনা 'ৱার ওন দ্রগস' লাউথোক্তুনা নোংমা কাংদনা দ্রগ মথং-মথং ফাগৎলকখি। লুপা ক্রোর ৩৫,০০০ রোমগী ভেল্যু ওইবা অফবা দ্রগ ময়াম চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা মৈ থাদোকখি। লোয়ননা চীংমাইদা থারিবা একর কয়াগী পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎখি। ইন্দিয়ান ইন্টিলিজেন্স ব্যুরোগী দিরেক্টরনা পীবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মণিপুরদা দ্রগ করবারগী শেনফমসি চহীদা লুপা ক্রোর ৬৫,০০০ রোমনি হায়রি। সোর্স অমদা, মণিপুর লৈঙাক্না পোপী য়াম্থৎপা অমসুং দ্রগ ফাগৎপসিনা করবারসি তৌরিবা মীওইশিংদা চাওরাক্না লুপা ক্রোর লিশীং ৪০ মাঙহনখ্রে হায়রি। কুকিশিংদি মসিদা অঙকপা ফংনা শাওনীংলমগনি মরমদি শেল য়াওদ্রবদি মখোয়গী খোঙজং মঙম শাল্লোইদৌরিবনি। মসিগী মথক্তা মখোয়গী মীশিং খঙয়াম য়ামহন্নবা থৌরাং ওইরিবা ম্যান্মারদগী কুকিশিং নারোন্দা পুশিল্লকপসু মণিপুর লৈঙাক্না থিংজিল্লকপা হৌরকপা অমসুং মখোয়গী খুন্দাফম ওইগদবা উমংশিংবু উয়োক (রিজার্ভ ফোরেষ্ট) নি হায়না লাউথোরকপা অসিনা কুকিশিংবু খম থেংনা শাওহনখি। খ্বাইদগী হেন্না লুবা অমনা, কুকিশিংনা মখোয়গী সু তৌনরিবা মিলিটেন্টশিংগী মরুমদা ফত্তবা আইন্না য়াদবা থবক কয়া চথবা অদু লৈঙাক্না খঙলকপদগী সু তোক্নরসি হায়রকপা অসিনা কুকিশিংবু খাম্বা য়াদখৈ শাওহনখি। মরম অদুনা মখোয়না চীফ মিনিষ্টরগী মথক্তা লমন খুম্নিংখি। খুদক্তা মখোয়গী থবক্তা অপনবা পীরিবা চীফ মিনিষ্টর শ্রী বিরেনবু চৈ-থাংবা হৌরকখি। লোয়ননা শ্রী বিরেনবু চীফ মিনিষ্টরগী ফম্ফমদগী লৌথোক্লবা লাল্লোং তৌরকখি অমদি চীফ মিনিষ্টরগা কুকিশিংগা মরী লৈনররোই হায়না লাউথোকখি। মখোয়গী ৱাফমদু কুকি এম এল এ ১০নসু শৌগৎতুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা মখোয়গী তোখায়বা এদমিনিষ্ট্রেসন পীবিয়ু হায়না চে থাখি। মখোয়গী পেন্দবা অশাওবা কয়া অদু ফোরেষ্ট ওফিস মৈ থাদুনা অমদি চীফ মিনিষ্টরনা শঙ্গাগদবা জিমনচিংবা মৈ থাদুনা ফোঙদোরকখি। মসিনসু পেন্দ্রদুনা চীফ মিনিষ্টরদা তাইনবা ঙমদ্রগা, মে ৩, ২০২৩দা রেল্লি চৎপগী মীংদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম পুনশিল্লগা মৈতৈশিংদা ওনশিন্দুনা লান্দাবা হৌখিবনি। মরম অদুনা কুকিশিংগী হন্দক্কী লান অসিগী হৌরকফমদি মখাগী অসুম্না শমজিনবা য়াই।

মণিপুর লৈঙাক্না ৱার ওন দ্রগস লাউথোক্তুনা মখল কয়াগী দ্রগশিং লেপ্তুনা ফাগৎলকপা, পোপী পাম্বী পাক্তক্লনা য়াম্থৎলকপা, কুকিশিংনা উমং কোকথোক্তুনা পোপি থাবা অমসুং খুন্দাশিনবা থিংলকপা, মপান্দগী মীতোপ পুশিল্লকপা থিংলকপা অমসুং মীতোপ মরমদা হলহনখিনবা থৌরাং তৌরকপা, সু হন্দোক্লবা ৱারেপ লৌরকপা অসিনি হায়নীংই। মতাংসিদা মরুপ অমনা লীবীরম্বা ৱারী অমতং পঞ্জগে। কুমজা ২০০০ অদুৱাইদা থাংজিং চীংদা কুকি লুচিংবশিংগী মীফম অমদা মরুপ্তু য়াওরুবনি হায়। মীফমদুদা কুকিলেন্দগী ৱাফম খন্নৈ। কুকিলেন্দ তানবগী মরূ ওইবা মরমদি মণিপুরনা নীংতম্বা লৈবাক ওইরকপদা মৈতৈশিংনা কুকিশিংবু মণিপুরদগী তান্থোকপীরক্কদ্রা, মখোয়গী লৈফম লৈররোইদ্রা খনবগীনি হায়খি হায়। লাকচনীংলিবদি, মখোয় নোংমদি মণিপুরদগী তান্থোরকপা য়াই হায়না মপূক্নিংদা ওন্নকপা কুইরে। অদুনা অশোনবা মীনা খূৎ থাবা হাল্লি হায়নবগুম্না নংহৌররোই মতাগুম কুকিনা হান্না খূৎ থাজিল্লকপনি। অমরোমদনা, ইন্দিয়াগী জিওপোলিটিকেলগী লাল্লোংদা কুকিশিংবু ঙমখৈদা শীজিন্নবা য়ানবা খরা লুনা তৌবনা মখোয়গী তুংদা ইন্দিয়ান আর্মিনা ফৈগাক ফৈনা লেপ্পবনি খন্দুনা মঙক থেক্কৎতুনা লান্দারকপনি। অরোইবা ওইনা হায়জনীংবদি, মৈতৈগী লৈবাক্তা শৈদাংলকপা কুকিনা হায়ৱেদা চৎলিবা গাড়ীদা মৈতৈ য়াওব্রা হায়দুনা চেক্না তৌরিবসি মখোয় মণিপুরদা লৈনীংলক্ত্রে হায়বনি হায়না লৌই। ●

-*চোংথাম তোম্বা*

# ফনেক্কী মশক

নঙদি করি ওইনি হয়েং চাওরগা। অমনা হংলসু অমনা হংলসু হেক্তা খুন্মী, ঐদি হয়েং চাওরগা ডাক্তর ওইনি পীক্লিবা অঙাং থোইবীনা। খঙহৌদে ঙরাংতা ওইরবোই খল্লি, ঙসিদি থোইবী এম বি বি এস লোইরবা তুংদা গাইনিগী স্পেসিএলিষ্ট অমা ওইনা মশক নাইবা, গাইনিকোলোজিষ্ট অমা ওইদুনা মোইরাং লমখাইদা লমদম অদোমগী নুপীগী ওইবা অনা-অয়েক য়াওরকপদা ওন্থোক্না কান্নবা মীয়াম্না য়াবা ডাক্তর অমা ওইরক্লি। মা মীনুংশি চাওই, লৈত-লাইরবা পেসেন্টশিংগীদমক কথোক্লবা ডাক্তর অমা হায়দু ওইরে। অসুম অসুম খঙনরকপদগী চুড়াচান্দপুরদগী পেসেন্ট কয়া কয়াসু য়েংবা লাক্লরি। ডা. থোইবী লৈঙাক্কী হোস্পিটালদা থবক তৌগে খনখিদ্রে।

নোংমা চুড়াচান্দপুরদগী মমিৎতা মচা উবা ফংজদ্রিবা মতৈ মনাও অমা লায়েংবা লাক্লম্মী। ডাক্তরনা হংই - ব্রদর এন্দ সিষ্টর করি ফুরুপনো?

পেসেন্ট পার্টিদুনা খুমজৈ 'ঐখোয় চুড়াচান্দপুরদগী কুকিনি মীংনা জোন হাওকিপ'। মোইনা অসুম্নসু মখা তাজৈ "ঐখোয় অনী লুহোংবা চহী ৫ শুরে অদুবু মীৎতা ইচা উবা ফংদ্রি। সিবু করম তৌরগা য়াগদ্রা ডাক্তরনা খরা য়েংবীনবা লাকচবনি"।

মখোয়গী লৈথুপ-লৈকোই লৈতবা মতৌদু উবদা ডা. থোইবীগী থম্মোয়দা হেন্নদুম নুংশিহল্লে। ডাক্তরনা খুমজৈ - 'ব্রো এন্দ সিস ঐসু লাইমক্তি নত্তে। অদুবু ঐগী লৈজবী থাক্তা হোৎনদুনা লায়েংলগা ব্রদর-সিষ্টরগী ইচা হায়দু ফংবা ঙম্ব্রা য়েংসি কো'!

অদুদা শেল কয়া চঙগদ্রা? হংলকই পেসেন্ট পার্টিদুনা। "ঐখোয়দি শেল য়াম্নদি পায়দে, শেল য়াম্না চঙগদবা লৈরদি তোকথোক্লগে খনবনিদা"

ডাক্তরনা খুমজৈ "ইবুংঙো শেলগী হান্না খল্লুনু অচংবদু ঐনা পুথোক্লগা লোইরে কৈনো"

ডাক্তরনা হায় - যিশুনসু চানবীরে, ইবুধৌ থাংজিংনসু চানবীরে।

চুম্বনিনে ডাক্তর । ব্রদর হাওকিপনা য়াম্না সিরিয়স ওইনা - 'ডাক্তরগা হায়নখিবা মতুংইন্না চুড়াচান্দপুরদা হয়েং লাকপীরো... অদুগা ক্লিনিক শেমগদবা মফম অদু য়েংবীরুলাও হায়রম্লে।

ডা. থোইবী মাগী ক্লিনিকতু চুড়াচান্দপুরদা হাংলু তম্লম্লমালে। অথুবীদা শাদুনা নান্না নিংথিজরবা ক্লিনিক অমা হায়দু ওইরে। ঙসিদি চুড়াচান্দপুরদা থোইবী মেটর্নিটি ক্লিনিক মমিং



চৎপা, পোপ্যুলর ওইবা নুপীগী লায়েংশঙ অমা ওইরে। হাওকিপতু তোয়না লাকই, চাং নাইনা চ্যেক তৌরি।

অকায়বা করিসু লৈতে, ডাক্তরনা হায় - "ব্রো দেলিভরি দেটসি চাওরাক্না মার্চ শ্বাইদা ওইবা য়াই হায়রকখ্রে"।

খরা লৈরগা থাবুম তরা নাওকোল্লিবা মিসেস হাওকিপতু থাবুম মপূং ফারদুনা হকচাং খরা নুংঙাইরক্তে হায়দুনা থোইবী মেটর্নিটি ক্লিনিকতুদা পুরক্লম্মী।

ডা. থোইবীনা থৱায় য়াওনা য়েংবী, সী এস তৌদবদি য়াররোই হায়রক্লে। ঈ খরা দরকার লৈ হায়রকই ডাক্তরনা। হাওকিপ মথা শাই অদুবু ক্লিনিকসিদা থবক তৌবা ক্বাক্তাদগী তাদা এম দি নজিরনা ঈদু ঐ পীগে হায়রকপদগী অৱাবা লৈত্রে হাওকিপ। অদুবু পাখৎচৈ, ও যিশু হায়না খুরুমজৈ। ডাক্তরসু ইবুধৌ থাংজিং খুরুমজৈ, নাজিরসু খুরুম্মী হে অল্লা হায়দুনা কোক থক লুকথখি। সিষ্টর বেদলতা গুরুময়ূমসু অদুম খুরুমজৈ হরে কৃষ্ণ হায়দনা... (সিষ্টর অসি নর্স ওইনা লৈবনি) ঙাইহাক লৈরগা তেক্তা কায়দনা অঙাং নুপা মচা অমা ফংজরে। মিষ্টর এন্দ মিসেস হাওকিপ হরাওবনা পন্দোম লোল্লে। ক্লিনিকসিদগী দিসচার্জ তৌবা নুমিৎতা মিষ্টর এন্দ মিসেস হাওকিপনা ডা. থোইবীদা কুকিগী খ্বাইদগী ফজরবা নীংথিরবা ফনেক অমা খুদোল তম্লম্মী, অদুগসু অসুম্না হায়রম্মী - ফনেক অসি নোংমতং ওইরসু মতাং চাবদা শেৎপীয়ুকো ডাক্তর, ঐখোয়না নুংশিনা থম্মোয়দগী পীরকপনি লৌবীয়ুকো। ডা. থোইবীনা হরাও হরাও খুদোল অদু লৌশিল্লম্মী। অদুবু কুকিগী ফনেক অদুগী শেৎনবা মতম ফংদবদগী ডা. থোইবীনা মাগী ক্লিনিকতা লৈরিবা অলমিরা অদুদা অদুম হাপ্তুনা থমজিনখ্রে। নোংমতসু নীংশিংলুদ্রে।

চহী খরগী তুংদা হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দা খঙহৌদনা হৌরকপা কুকি-মৈতৈগী লানদা ডা. থোইবী লান নংলে। অসুম্না কুকিশিংনা মৈতৈ হাৎলো-হাৎলো হায়না লাওরগা মায়কৈ সলাই খঙদনা নিল্লরে চুড়াচান্দপুর সহর পূম্নমক। তাঞ্জা অদুদা জোন হাওকিপনা ফোন অমা তৌরকই - ডাক্তর নঙ খুদক্তা চুড়াচান্দপুর থাদোক্তুনা চেল্লো। পাউ অদু হেক ফংবগা ডা. থোইবী থিন্থবা তৌদনা মফি মরোল শেৎচিল্লে, মাগী ষ্টাফশিংসু মাগী মাগী হিংনবা লোইনা চেন্নখ্রে। মীকপ মীরাওখোল তনা পুমথন থনখি চুড়াচান্দপুর। য়ূম মৈ থাবগী মৈখুতনা থনখ্রে চুড়াচান্দপুর সহর। কুইনা চুড়াচান্দপুরদা লৈরকপনা ডা. থোইবী কুকি মরোল খঙই। মাগী ক্লিনিক্কী মপান্দা কুকি মরোলদা ডা. থোইবীগী ক্লিনিক থুগাইরসি হায়না নূঙনা থোমজিনবা হৌরক্লম্মী। ডাক্তর লৱাই লুতোন শাৎখ্রে, পাখৎপনা খম থেংখ্রে, মশা অদু কিবনা নিক্লে। ডা. থোইবীনা করম্না মাগী ক্লিনিকসিদগী নান্থোকসিগে খল্লম্মী। খুদক্কী পাইরক পাইতুগী লৌশিংদা, থোইবীনা থাইনা মাগী ক্লিনিক মনুংগী অলমিরাদা হাপখিবা কুকিগী ফনেক অদু খঙনীং নীংশিংলকই। খুদক্তা অলমিরা মনুংদগী কুকি ফনেক অদু মানা শেৎলিবা মৈতৈ ফনেক্কী মথক্তা শেৎচিল্লম্মী। মমায়দুসু মাস্ক অমা উপশিল্লে অদুগা মনীং থোঙদা ফাওরগা লৌবুকলোমদা ফাওরগা চেল্লক্লম্মী, অকিবগী মশকনি। লৌবুক্তসু কুকি ময়াম্না - মৈতৈ লৈহৌব্রা হংলকই অদুদা থোইবীনা - লৈহৌদ্রে হায়না কুকি মরোলদা অদুম খুন্মী। চুড়াচান্দপুরদা মৈতৈ লৈবা য়ারোই হায়না কুকি মরোলদা লাওবা খোংবা অদুম তানা তানা চুড়াচান্দপুরদগী নান্থোরক্লে হায়ববু মৈতৈগী খুল তোর্ব্বুং লোমদগী অমুক - 'কুকি হাৎলো কুকি হাৎলো' হায়বা খোল্লাউতনা নীনবা অমুক তারক্লে। মায়কৈ অনীমক পুলিসনা থিংবা ঙমদ্রে। সী এম বিরেন হায়রগা অকাম অপেৎকী ৱাহৈনা লাওরগা লাকপা অদুম তাই। লাওরিবা কুকিশিংগী মরক্তা লালহৌবা য়াওশিল্লগা মৈতৈ তম্না নোংমৈ কাপশিল্লম্মী, লাও খোংনরিবা, তারিবা নোংমৈগী মখোল, তৌরিবা ফুরুপ কাঙলূপকী মতৌ অদু থাপ্পা উই থোইবীনা। মৈতৈগী জগানকশিল্লকপদগী মানা শেৎলিবা ফনেকতু লৌথোক্লগা মনুংগী মৈতৈ ফনেক খক অদুম শেৎলগা ওন্থোক্না ৱানা থৱায় খূবাক্তা হাপ্লগা ময়ূম লমদম মোইরাং য়ৌরকখি।

মমৈথংদা চনীং তাবা ঙল্লকান্দা খনখি - 'জোন হাওকিপনা ঐবু মৈতৈনি হায়দনা হাৎকে খল্লমগদ্রা?' ●

-*আর কে বুধিমন্ত কার্টা*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।